*ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মেনেজর ওফ দি সিজনগী মনা ফংখ্রবা চেম্পিয়ন ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মেনেজর পেপ গুৱার্দিওলা*

*স্লো ওভর রেট ওইবদগী পাকিস্তানগা শান্নগদবা মরিশুবা ও দি আই শান্নবদা অথিংবা থমখ্রবা ইংলেন্দগী কেপ্টেন ইওন মোরগান*



## এ এফ সি ইন্টর জোন প্লে ওফ সেমি ফাইনেলগী ক্বালিফিকেসনদা মিনর্ভা অমদি মানাং দ্রো চৎখ্রে



*ললিতপুর। ধাকা, মে ১৫ঃ*

এসিয়ান ফুটবোল কনফিদিরেসন কপ ( এ এফ সি) কপকী ইন্টর জোন প্লে ওফ সেমি ফাইনেল ক্বালিফিকেসনগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'ই' গী ৪শুবা লীগ মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী ক্লব মিনর্ভা পঞ্জাব অমদি নেপালগী ক্লব মানাং মারসিয়াংদি পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে, অতোপ্পা ৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী ক্লব চেন্নাইন বাংলাদেশকী ক্লব ধাকা অবাহানিগী মখূত্তা ২–৩ দা মায়থিখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি নেপালগী সিটি ললিতপুরদা ইন্দিয়াগী ক্লব মিনর্ভা পঞ্জাব অমদি য়ুম্বু ওইখিবা নেপালগী ক্লব মানাং মারসিয়াংদি পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

মিনর্ভা পঞ্জাব অমদি মানাং মারসিয়াংদিনা শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদু হেক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা মিনর্ভা পঞ্জাবকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মোইরাংথেম থোইবা সিংহনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমদুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরক্তুনা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা হোৎনদুনা লাকখি। অদুবু মায়কৈ অনীগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা মতম কুইনা লৈখি।

শান্নবগী ৮১শুবা মিনটতা নেপালগী ক্লব মানাং মারসিয়াংদিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই সাহিদ অজিজনা পাঞ্জল অমা চনশিনখিদুনা ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু ১–১ দা দ্রো চৎলগা পোইন্ট অমমম য়েন্নখি।

এ এফ সি ইন্টর জোন প্লে ওফ সেমি ফাইনেলগী ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি বাংলাদেশকী কোনুং ধাকাদা শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী ক্লব চেন্নাইন মফম অসিগী ক্লব ধাকা অবাহানিগী মখূত্তা পাঞ্জল ২–৩ দা মায়থিহৌখি।

চেন্নাইন ঙসিগী মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবসু ধাকা অবাহানিগা পোইন্ট ৭ / ৭ ফংমিন্নদুনা মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা চেন্নাইননা হেন্দুনা গ্রুপ অসিগী অহানবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

মেটচ অসি শান্নবা হৌবদগী ইন্দিয়াগী ক্লব চেন্নাইনগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নরকখি। মেটচকী ৬শুবা মিনটতা চেন্নাইনগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা সি কে ভিনিথনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ঙন্না মাঙজিল থাবা হৌখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা মায়কৈ অনীদগী এটেক কয়া তৌনদুনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখ্রবসু মায় পাকপা ঙম্নদবদগী হাল্ফ অদু লোইশিনখিবা ফাওবদা চেন্নাইননা ধাকা অবাহানিবু ১–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরক্লবা মতুং মেটচকী ৬৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল শোথদুনা লৈরিবা ধাকা অবাহানিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ফিলস বেলফোর্টনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

ইক্বেলাইজর ওইখ্রবা মতুং মিনট ২ লৈরগা ধাকা অবাহানিগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা সাইঘানীনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা চেন্নাইনগী শান্নরোই ইসাক ভানমালসোমানা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২–২ দা মান্নহনা ঙমখি।

মেটচকী ৮৮শুবা মিনটতা ধাকা অবাহানিগী শান্নরোই ইসলাম মামুননা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না চেন্নাইনবু ৩–২ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

## ওষ্ট্রেলিয়াগী জেরেমী হেৱার্দ অমদি ব্লেক গোভর্সকী পাঞ্জল ২ / ২ না ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিম্বু ৪–০ দা থোইখ্রে

*পর্থ, মে ১৫ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিম্না ওষ্ট্রেলিয়া টুরগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই জেরেমী হেৱার্দ অমদি ব্লেক গোভর্সকী পাঞ্জল ২ / ২ না ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



*ইন্দিয়া অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী হোক্কী শান্নরোইশিংনা বোল ফংনবা হোৎনবা*

মেটচ ৫ গী ওষ্ট্রেলিয়া টুর অসিদা ইন্দিয়াগী টিম্না অহানবা মেটচ ৩ শান্নখিবদা মেটচ অমত্তা মায়থিবা নংদনা লাকখি। অদুবু ঙসি পর্থতা লৈবা পর্থ হোক্কী ষ্টেদিয়মদা ওষ্ট্রেলিয়াগী নেসনেল টিমগা শান্নখিবা অহানবা ওইনা মায়থিবা নংখি।

মেটচ অসি হেক হৌরকপদগী টিম অনীমক লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। অহানবা ক্বার্টরগী অরোইবা মিনটতা য়ুম্বু টিম ওইখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা ব্লেক গোভর্সনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টর হৌরকপদা পাঞ্জল শোথদুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা লাকখি। শান্নবগী ১৯শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই বিরেন্দ্র লাক্রানা থাজিনখিবা সোট অমা গোলপোষ্টতগী লাপথোক্না চৎখিবদগী ইক্বেলাইজর ওইরম্বা য়ামা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

মেটচকী ২০শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা মখা তাবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা টিম অসিগী শান্নরোই জেরেমী হেৱার্দনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইনা থাজিনখিবা সোট অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই জেক ৱেট্টননা মতম চানা ব্লোক তৌবা ঙমদুনা পাঞ্জল ওইহন্দনা থমখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াদগী পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হন্না তৌদুনা পাঞ্জল হন্দাক্নবা কন্না হোৎনদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৫২শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা অনীশুবা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি। পেনাল্টি কোর্নর অদু টিম অসিগী দ্রেগ ফ্লিকর হর্মনপ্রিতনা থাজিনবদা ওষ্ট্রেলিয়াগী দিফেন্দর ফ্লিন ওগিলভিনা নীংথিনা ঙাকথোকপা ঙমদুনা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকহনবা ঙমদনা থমখি।

মখা তানা শান্নরকখিবা ৪শুবা ক্বার্টরদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা লাকখ্রবসু ওষ্ট্রেলিয়াগী দিফেন্দরশিংনা ফজবা ঙমখিদবদগী পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমহন্দনা লাকখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী মিনট ৬০ চৎপদা ওষ্ট্রেলিয়ানা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি। পেনাল্টি কোর্নর অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা জেরেমী হেৱার্দনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৬০ লোইশিনখ্রবা মতুং ইনজুরি টাইমগী অহাপ্পা অহুমশুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ব্লেক গোভর্সনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চনশিনবা ঙমদুনা মেটচ অদু য়ুম্বু টিম ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

## মঙাশুবা ভি এস ও ট্রোফি ২০১৯ দা পান্থোইবী ফুটবোল ক্লব মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



*ইম্ফাল, মে ১৫ঃ*

খোংজোম সার্কল ভেটরান স্পোর্টস ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১ দগী তেকচম হায়র সেকেন্দরী গ্রাউন্দদা টিম ২২ না গ্রুপ ৮ থোক্না খাইদোক্তুনা চথরকপা ৫শুবা ভি এস ও ট্রোফি ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা ৭শুবা টুর্নামেন্ট অসিগী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা পান্থোইবী এফ সি মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্টকী ২৮শুবা মেটচ ওইনা ৱালিদা অমদি পান্থোইবী এফ সি অনীনা ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অসিদা পান্থোইবী এফ সিনা ৱালিদাবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি হৌরকপদগী ৱালিদা এফ সিনা অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা শান্নরক্তুনা অঙনবা মিনটশিংদগী গোল একাউন্ট হাংনবগীদমক পান্থোইবী এফ সিগী শান্নরোইশিংবু লাকশিন্দুনা লেপ্পা লৈতনা অকনবা প্রেসর পীশিনখি।

মদুগী হোৎনজম ফংদুনা ৱালিদাগী জর্সি নম্বর ৩ সুরেসনা পান্থোইবী এফ সিগী দিফেন্দরশিংগী অহোবগী তাঞ্জাদা মেটচকী ১৩ চৎপদা গোল একাউন্ট হাংদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

পান্থোইবী এফ সিনা শোথরিবা গোল অদু হাল্ফ মমাঙদা হন্দোক্লবা হোৎনরবসু ঙমদবদগী ৱালিদাগী সুরেসকী গোল অসিনা হাল্ফ লোইবা ফাওবা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা পান্থোইবী এফ সিগী শান্নরোইশিংনা ৱালিদাবু চপ চানা শিংনরক্তুনা শোথরিবা গোল অদু হন্দোক্লবা এটেক মরী–মরী চথরকখি।

মদুগী মহৈ ফংদুনা অতেনবা মিনট ১০ দা গোল ২ হন্দাক্তুনা মেটচ অসি পান্থোইবী মায় পাকখিবনি।

পান্থোইবী এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৩ জিমী নাওনা মিনট ৩৬ অমদি জর্সি নম্বর ৭ লালসিঙমনা মিনট ৪৫ দা চনখি। মেটচ অসিদা মায়থিরবা ৱালিদাগী জর্সি নম্বর ১১ নোংদম্বদা মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়োল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং অরোইবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা ফরিস এফ সি অমদি অপুনবা এফ সিনা শান্নরগনি।

## জেক রিপব্লিক্কী প্লিজকোভা অমদি বেলারসকী অজারেনকা ইটালিয়ান ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসতা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

INTERNAZIONALI BNL D'ITALIA
BNP PARIBAS



*অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রবী জেক রিপব্লিক্কী প্লিজকোভা (ওই) অমদি বেলারসকী অজারেনকা*

*রোম, মে ১৫ঃ*

ইটালিগী কোনুং রোমদা চথরিবা ক্লে কোর্ট টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইটালিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভা অমদি বেলারসকী ভিক্তোরিয়া অজারেনকা মায় পাক্তুনা নুপীগী সিঙ্গলসতা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

ইটালিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এ টোমলজানোভিসপু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

বেলারসকী শান্নরোই ভিক্তোরিয়া অজারেনকানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ২শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাবু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৪–৬, ৬–১, ৭–৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা মহাকসু অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

ইটালিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ১৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ক্রোএসিয়াগী বোর্না কোরিকনা টুর্নামেন্ট অসিদা ক্বালিফায়র ওইনা শরুক য়ারকখিবা বৃটেনগী সি নোরিবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা য়াম্না লায়না ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ১৪শুবা সিদেদ শান্নরোই জিওর্জিয়াগী নিকোলোজ বাসিলাসভিলিনা সর্ভিয়াগী লাসলো দেরেবু ষ্ট্রেট সেট ৭–৫, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ইটালিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা আর্জেন্টিনাগী পেয়র এম গোঞ্জালেজ অমদি ঐচ জেবালোসনা ফ্রান্সকী জেরেমী চার্দি অমদি বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনবু ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলূপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৭শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা য়ু এসকী বোব ব্রাইন অমদি মাইক ব্রাইননা নেদরলেন্দসকী জে জে রোজর অমদি রোমানিয়াগী ঐচ টেকাউবু ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৭–৬(৭–৪) দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ পেয়র কলম্বীয়াগী জে এস কাবাল অমদি আর ফারাহনা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমদি বৃটেনগী দি ইংলোটপু ৭–৬(৭–৫), ৬–৩ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

## এষ্টোন ভিল্লা মায় পাক্তুনা ইংলেন্দ চেম্পিয়ন্সিপকী ফাইনেল য়ৌখ্রে

*লন্দন, মে ১৫ঃ*

ইংলেন্দগী নেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইংলেন্দ চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচতা পেনাল্টি সুট আওটতা মায় পাক্তুনা এষ্টোন ভিল্লা থংন–থংননা ফাইনেল অনীরক চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা এষ্টোন ভিল্লানা ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ অলবিওনবু পেনাল্টি সুট আওটতা ৪–৩ দা থোইরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টিম অনীনা মমাঙদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচতা এষ্টোন ভিল্লানা ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ অলবিওনবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবগী চাওনা খুদোংচাবা ফংখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচ অদু ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ অলবিওননা এষ্টোন ভিল্লাবু ১–০ দা মায়থিবা পীখি। ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ অলবিওনগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা ক্রেগ দোসননা চনবা ঙমখি। এক্সত্রা টাইম শান্নরকপদা অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখিবদগী টিম অনীমক এগ্রিগেটতা ২–২ দা মান্নদুনা লৈখিবদগী মায় পাকপা টিম খন্নবা পেনাল্টি সুট আওট তৌনবদা এষ্টোন ভিল্লানা ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ অলবিওনবু ৪–৩ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌখি।

## ইন্দিয়াগী নুপা ত্রেপ সুট্টরশিং সোটগন ৱার্ল্ড কপ্তা ফজবা ঙমখ্রে

*চাংৱোন, মে ১৫ঃ*

সাউথ কোরিয়াগী সিটি চাংৱোনদা চথরিবা আই এস এস এফ সোটগন ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী ত্রেপ সুট্টরশিং ফজবা ঙমখ্রে।

ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী ত্রেপ সুটিং কম্পিটিসনগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ইন্দিয়াগী সুট্টর কিনান চেনাই অমদি পৃথবীরাজ তোন্দাইমেননা রাউন্দ ওফ ২৫ দা পার্ফেক সোট অনী য়াওবা ঙমদুনা পুন্না পোইন্ট ১০৯ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙমখি। ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর জোরাভার সিংহ সান্ধু ৮২শুবা পোজিসন তাহৌখি।

নুপাগী ত্রেপ ইভেন্ট অসিগী ওইনা হয়েং রাউন্দ ৩ পাঙথোক্কনি। মসি লোইরবা মতুং মকোক থোংবা সুট্টর ৬ না মেডল রাউন্দ য়ৌদুনা লম্বা তৌনগনি। ইন্দিয়াগী সুট্টরশিংনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌনবা হয়েং কন্না হোৎননবগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে।

নুপীগী ত্রেপ ইভেন্টকী ঙসি পাঙথোকখিবা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ইন্দিয়াগী সুট্টর সাগুন চৌধারী পুন্না পোইন্ট ১১৫ স্কোর তৌদুনা ৩৫শুবা পোজিসন তাহৌখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপী সুট্টর রাজেশ্বরী কুমারীসু পুন্না স্কোর ৯৯ তৌদুনা ৫৬শুবা পোজিসন তাখি।

### ক্রোসৱার্দ ১৬০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| L | I | A | R | S | | W | O | R | E | | A | D | A | M |
| I | D | I | O | T | | A | W | E | D | | P | A | P | A |
| S | E | N | O | R | | D | E | D | I | C | A | T | E | D |
| T | A | T | T | E | R | E | D | | T | I | R | A | D | E |
| | | | S | E | E | | | C | O | A | T | | | |
| S | A | C | | T | E | R | R | O | R | | M | O | B | S |
| C | R | A | M | | L | E | E | R | S | | E | M | I | T |
| R | I | T | A | | | P | A | N | | | N | A | S | A |
| U | S | E | R | | B | O | R | E | R | | T | H | O | R |
| B | E | R | G | | E | S | S | A | Y | S | | A | N | T |
| | | | A | N | N | E | | | E | N | S | | | |
| D | E | C | R | E | E | | R | E | S | O | N | A | N | T |
| A | L | L | I | G | A | T | O | R | | R | O | M | E | O |
| B | L | O | T | | T | H | A | I | | T | R | E | E | S |
| S | A | G | A | | H | E | R | E | | S | E | N | D | S |

**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Sagolmang, Imphal East, Manipur**

*Ref. :- Mutation Case No. 203/SDC/SLG/IE of 2019*

*Dated: 15/05/2019*

Keisham Chandrasakhi Leima W/o (L) K. Tomba Meitei of Khongman Zone-V

***- Petitioner***

***-Verses-***

Late Keisham Manikchand Singh S/o (L) K. Jhulon Singh of Sinam

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Sagolmang, Dated 15/05/2019*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ইঃ তহসিল খুল নং 1-Sinam পাট্টা নং --- (অরিবা) 1/ 361 (অনৌবা) দাগ নং 2140, 2151 মোট এরিয়া 3.58 একর চাওবা Anganphou লৌফমগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নার অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং কক্লগা aplicant অসিগী মমিংদা নমা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃতু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউ–চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি / Objection তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

SL/B/(T)/16